CIVIL SERVICES (MAIN) EXAM-2022

**CRNA–F–MNP**

# MANIPURI

## PAPER–I

## (LITERATURE)

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|

**ৱাহংশিংগীদমক অখন্নবা ৱারোল**

**পাউখুম ইদ্রিঙৈদা মখাদা পীরিবা ৱারোলশিং অসি চেকশিন্না পাগদবনি**

কাঙলূপ অনীমক (Section A and B) পূল্লগা ৱাহং নিপাল য়াওরি।

কেন্দিদেতশিংনা ৱাহংশিং অসিদগী ৱাহং মঙাগী পাউখুম পীগদবনি।

ৱাহং নম্বর **1** অমসুং **5** তি তঙাইফদনা খুমগদবনি। লেমহৌরিবা ৱাহং অহুম্না কাঙলূপ অনীমক্তগী অমমমদগী তাদনা খল্লগা পাউখুম পীগদবনি।

য়েৎথংবা লাপান্দা ইরিবা মশীংশিং অসি ৱাহংগী মার্কনি।

মণিপুরীদা (বাংলা ময়েক্তা) পাউখুম ইগদবনি।

পাউখুমগী অকক্নবা ৱাহৈ মশীং পীরম্লবদি মদু ইনগদবনি।

ইরম্লিবা পাউখুমশিং অদু মথং-মনাও নাইনা লৌগনি। শরুক খরদমক ইরম্লবসু মদু ককথৎলমদ্রবদি পাউখুম ওইনা লৌগনি। ৱাহংগা কোন্নবা পাউখুম চেদুদা (Question-cum-Answer Booklet) হাংহৌরিবা লামায়শিং অদু ময়েকশেংনা ককথৎলমগদবনি।


MANIPURI

PAPER–I

(LITERATURE)

| Time Allowed : Three Hours | Maximum Marks : 250 |
|---|---|


### QUESTION PAPER SPECIFIC INSTRUCTIONS

**Please read each of the following instructions carefully before attempting questions**

There are EIGHT questions divided in two Sections.

Candidate has to attempt FIVE questions in all.

Question Nos. **1** and **5** are compulsory and out of the remaining, THREE are to be attempted choosing at least ONE from each Section.

The number of marks carried by a question/part is indicated against it.

Answers must be written in MANIPURI (Bengali script).

Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.

Attempts of questions shall be counted in sequential order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the Question-cum-Answer Booklet must be clearly struck off.

## SECTION—A

**1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

*(a)* মণিপুরী লোন নৈনবগী চাওখৎলকপগী খোংথাংগী মরমদা মপুংফানা ইয়ু। 10

*(b)* ভাউয়েল ক্লাসিফিকেসনগী ক্রায়তেরিয়া কয়া লৈবগে? ক্রায়তেরিয়াশিংদুগী মীৎয়েংদগী মণিপুরী ভাউয়েলগী ক্লাসিফিকেসন তৌদুনা উৎলু। 3+7=10

*(c)* সন্ধি অমসুং সমাজ অনীগী খেন্নবা মশকশিং খুদম পীদুনা তাকউ। 10

*(d)* মৈতৈলোন্দা অতোপ্পা লোনগী ৱাহৈশিং লৌশিনলুবদগী ওইরকপা কোন্সোনেন্ত খোন্থোকশিং অদুগী আর্তিকুলেতরী দিসক্রিপসনশিং তাকউ। 10

*(e)* মণিপুরী লোনগী জংচরগী মরমদা শন্দোক্লা নৈনৌ। 10

**2.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* গ্রামাতিকেল কেতেগোরিস হায়রগা করিবু খঙনবগে? কেতেগোরিশিং অদুগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু। 5+15=20

*(b)* ইম্পরেতিভ অমসুং স্তেটমেন্ত ওইবা ৱাহৈপরেংশিংগী মশক তাকপগা লোয়ননা মণিপুরী লোনগী ৱাহৈপরেংশিংনা খুদম পিয়ু। 15

*(c)* কোন্সোনেন্ত ক্লাসিফিকেসনগী ক্রায়তেরিয়াশিং অদুগী মীৎয়েংদগী মৈতৈলোনগী কোন্সোনেন্তশিং খাইদোক্নুনা তাকউ। 15

**3.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মৈতৈলোনগী ফ্রেজ মখল কয়া থোক্লা খায়দোকপা য়াবগে? মখলশিং অদু খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ। 20

*(b)* তিবেতো-বর্মন লোন কাঙলুপকী মনুংচনবা লোন অমা ওইনা মণিপুরী লোনগী থোইদোকপা মগুণশিং তাকউ। 15

*(c)* রুট কদায়বু কৌবগে? মৈতৈলোনগী রুটকী মরমদা খুদমগা লোয়ননা নৈনৌ। 15

**4.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

*(a)* মৈতৈ ময়েক্কী য়াওল অমসুং চাওখৎলকপগী মরমদা মপুংফানা নৈনৌ। 20

*(b)* মণিপুরী লোনগী তোনগী মরমদা স্কোলরশিংনা পীরিবা তোঙান-তোঙানবা মতশিং অদু খুদমগা লোয়ননা শন্দোক্লা তাকউ। 15

*(c)* মণিপুরী গ্রামারদা সফিক্সনা মরু ওইরিবগী মরমশিং মপুংফানা নৈনদুনা তাকউ। 15

## SECTION—B

**5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ *150* দগী হেন্দনা খুমগদবনি : 10×5=50

(a) অঙনবা মতমগী শৈরেংশিংগী মনুংদগী 'হিজন হিরাউ'গী থোইদোকপা মগুণ নৈনদুনা তাকউ। 10

(b) মণিপুরী পাউরৌদা য়াওরিবা সমাজগী মশক খুদমগা লোয়ননা নৈনৌ। 10

(c) লাই হরাউবা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল শন্দোক্লা তাকউ। 10

(d) অনিশুবা লাঞ্জাও মমাংগী মণিপুরী শৈরেংগী খুৎইদা য়াওরিবা কবিশিংগী মান্নবা ৱাখল্লোনগী মশকশিং খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 10

(e) পানা শগোল কাঙজৈ শান্নবগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ। 10

**6.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী সাহিত্যগী পুৱারীদা অনৌবা মতমগী সাহিত্যনা য়াকাইরকপদা ওইখিবা সামাজিক্কী ফিভমগী মরমদা মপুংফানা নৈনৌ। 20

(b) মণিপুরী লেজেন্দশিংদা উবা ফংলিবা লমদম অসিগী নাৎকী মরমদা খুদমগা লোয়ননা ইয়ু। 15

(c) মহারাসকা অতোপ্পা রাসশিংগা খেন্নবগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ। 15

**7.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) মণিপুরী ফুঙ্গাৱারীশিংদা য়াওরিবা সমাজগী মশক মপুংফানা খুদমগা লোয়ননা নৈনৌ। 20

(b) ময়াইচনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা মণিপুরদা হিন্দু লাইনিং কনশিনহনখিবা লাইরিকশিং অদুগী মরমদা নৈনৌ। 15

(c) অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী থোইদোকপা মশাজৎশিংগী মরমদা শন্দোক্লা তাকউ। 15

**8.** ৱাহংশিং অসি লোইনা খুমগদবনি :

(a) হিন্দু লাইনিংনা মণিপুরদা পাকচাওনা চৎনরকখিবা অমসুং মণিপুরী কলচরগী ঈচেলদা সিনক্রেতিজম থোক্লকপগী মরমদা খুদমগা লোয়ননা নৈনৌ। 20

(b) ফোক লিতরেচর কদায়বু কৌবগে? মণিপুরী ফোক লিতরেচরগী তোঙান-তোঙানবা শক্লোনশিংগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু। 15

(c) শক্লাইরবা মণিপুরী উপন্যাসকার অমগী উপন্যাসকী মরমদা মপুংফানা নৈনৌ। 15

★ ★ ★